# হুইয়েন লানপাউ

থাংজ, জুলাই ৩১, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ১২৬শুবা মশীং


## পৱর ওফ এট্রেক্সন

### হায়রুদনা কান্নরোই, য়েংনীংদ্রসু উখিদৌরি

ঙসিনা লোইরবা জুলাই থাসিগী মনুংদা ওইরকখিবা পোলিটিকেল দিভেলপমেন্ট, মসিনা মীমাং থোক্না থোকহল্লকখ্রিবা থৌদোকশিংসি পংয়াম য়ামদ্রবসু মসিগী ইস্পেক্টতি ওন্থোক্না কনখ্রে। মমাঙদা সেন্টরদা অমসুং ষ্টেটকী লৈঙাক চুপ্লি খূৎপায়নরম্বা নেসনল পোলিটিকেল পার্টি অমা শীংকুপ শানা লৌবা য়াদবা মখৈ য়ানখাইবগী থবকনি। অদুবু থোকখ্রিবা খরসিদি মচিন মৈ মুবা হৌরকপদা ঙাইরিবনি হায়নীংই। মসিগী লায়না মখাক, লাইমন মখাক লৈহৌরি। মতাং চানা চানা কাংলকখিনি। থোরক্লিবশিংসি শোয়বদগী থোকপা এক্সিদেন্টশিং নত্তে। থোকহল্লক্তবা য়ারক্তবদগী থৌওইনা থোকহল্লক্লিবনি। মথংগী অনৌবা মীখল পাঙথোক্লবগী মতম খূৎনা লাম্বা ফংজিল্লকপগী হৌনশানি। পোলিটিকেল পার্টি অমসুং পোলিটিসিয়নশিংগী মচৎনি। হায়রুরবসু কান্নবা ফংলোই, য়েংনীংদ্রবসু উখিগদৌরিবনি। লৈঙাক পায়রিবশিংনা মখা তানা পায়নীংবদগী পায়থখিনবা পোরম য়াৎলকপা অদুগা পায়বা ফংহৌদ্রবশিংনা পায়ননবা হোৎনরকপা হায়বসিদি মশানা তারবা ৱাফমনি। অদুনা নকশিল্লক্লিবা মথংগী মীখল অসিগীদমক হৌজিক্তগী হৌনা ফি শেমহৌবা হায়বসি তঙাইফদবনি। মথংগী মীখলদসু এম এল এ মশীং য়াম্না কাদুনা লৈঙাক পায়বা ঙম্নবা এবসোলুট মেজোরিটি ফংনবা হোৎনবা, দেম্মক্রেসিগী মেজিক নম্বর ফংনবা হোৎনবা হায়বসিদি তৌফদ্রবা থবকনি। মশীং ফংননবা হোৎনবগী মনুং চন্না মায়োক্নরিবা রাইভেল পার্টিদুবু মপাঙ্গল শোন্থহন্নবা হোৎনরকপা তাবনি। থৌরাং-থৌশিলসিনা মায় পাক্লগদি মথংগী মীখল মতুংদসু মীয়ামগী লৈঙাক্কী মপু ওইবা ফংগদৌরিবনি। মসিদা থুগদৌরিবা পোলিটিসিয়নশিংনা টর্ম অমা লিশাং শিৎনা এম এল এ ওইরক্লগসু রুল্লিংগী মায়কৈদা য়াওদবগী খৌগংলক্লবা, মথং পাঙথোক্কদবা মীখলদা মায়োক্নগদবা কেন্দিদেটশিংগী ফীভমদগী হনুমাননা চীং ফূক্তুনা পুরকপগী ফীভমদা ভোটর পূম্নমক শুপখোম খোমজিন্দুনা ফুরিৎখাওদা হাপচিন্দবা য়ারক্তবগী ফীভম মায়োক্নগদৌরিবা পোলিটিসিয়নশিংনি। মশ্বাইদদি মশাগী পার্টিগী পোলিটিকেল আইদিওলোজি, প্রিন্সিপল অমসুং মশাগী ফিদমনীংঙাই ওইবা মচৎ কাইদুদি নুংশাদা তাকখিবা অহিংগী লিক্লাদৌনা শ্বাই তাকখিবা তাবনি। অনৌবা নত্তে, ষ্টেটসিগী মীয়ামগী মীৎমাংদা থেঞ্জাং নাইনা উৎলরবা পোলিটিকেল দ্রামানি।

সেন্টর অমসুং ষ্টেটতা পৱর পায়রিবা কাঙবুগী লুচিংবশিং মনম-মনম লাকশিনখিবনা মখোয় মশেলগী মরক্তনা খোইমু পাইরকপগুম থোকপা, মথংগী মীখলগীদমক মথৌ তাবা ক্রোর খরগী মপু ওইহৌদবা য়াদবা ওপোজিসনগী এম এল এ খরদনা কুরাক পাইরক্তুনা তোংলম্বগুম থোক্তুনা মরূম কোকশিল্লম্বা, অদুদগী মচা ওল্লক্তুনা লেং-লেং চৎলকপা হায়বসিদি হৌনশানি। ঙসি ফাওবদা লৈরিবা ফীভমসিনসু অরোইবা ওইখিরোই। নোংপোক-নোংচুপ, খা-ৱাং থ্রোক-থ্রোক তাবা মখৈ খংচিং চিংহনগদবা অচৌবা য়ুহা খরসু হারকপা য়ারি। শং-শং উরিবা মীয়ামদা তরেৎনি চফম হলহনবগী ৱানি। মখোয়গী মচৎনি। পোলিটিসিয়নশিংগী মরক্তবু ইকায়বা খঙবা য়াওরমগদ্রা?

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৩

১) কুমজা ১৯৬৫ইংদা ফোঙখিবা *‘লৌনম’* হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?
২) ***‘‘বীরবাহু তুবা’’*** হায়বা লাইরিক অসি মৈতৈলোন্দা কনানা হন্দোকপনো?
৩) ***‘‘নোংচুপ নোংপোক্কী মীনা সনামহী পাখংবা লাই অয়াম্বদা চঙফদে। মাইবা লোয়শঙ অহুম্মাদা খনফদে। দোলাইপাবনা নিংথৌগী শঙ্গাই চঙফদে।’’*** ৱাহে পরেংশিং অসি করি লাইরিক্তগী লৌথোরকপনো?
৪) বাংলাদেশতা ফোঙখিবা মণিপুরী সাহিত্যগী অহানবা চেফোংদু করিনো অমসুং করম্বা মতমদগী ফোঙবা হৌখিবগে?
৫) ***‘‘ভাগবত ধর্ম্ম অমসুং ভ্রমর গীত’’*** হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২২গী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি*

১) ইবোচৌবা কোন্থৌজম, শগোলবন্দ তেরা খুরাইজম লৈরক - (১,৩)
২) তোংব্রম সুনিতা, লুৱাংশংবম অৱাং লৈকায় - (১,৩,৪,৫)
৩) সী ঐচ সুরজিৎ, ময়াং ইম্ফাল বজার - (১,৩)
৪) কে মেমি, ময়াং ইম্ফাল বজার - (১,৩)
***৫) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (১,৩,৪,৫)***
৬) অনন্দকুমার খুঞ্জামযূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,৩,৫)
৭) য়েংখোম সঙ্গিতা লৈমা, মোইদাংপোক অৱাং লৈকায় - (১,৩,৪,৫)
৮) ইবোমচা ওইনাম, শগোলবন্দ খম্নাম লৈরক - (১,৩)
৯) থাংজম প্রেমকুমার, চরাংপাৎ মনীং লৈকায়, থৌবাল - (১,৩)
১০) তোংব্রম জিবোন, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায় - (১,৩,৪)
১১) মোইরাংথেম গঙ্গুলি, ককচীং তুরেল ৱাংমা নিংথৌ পরেং - (১)
১২) থোঙ্গ্রাম রোমেন মৈতৈ, কৈরক তোমাল মখোঙ - (১,২,৩)
১৩) থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, রাইজিং সন দ্রেসেস থাংমৈবন্দ থাও কমপ্লেক্স (১,৩)
১৪) দোনেশ্বরি থিয়াম, চীংমৈরোং য়েংখোইবা মেঞ্জোর মমাঙ লৈকায় - (১,৩)
১৫) সীনেদা থিয়াম, চীংমৈরোং য়েংখোইবা মেঞ্জোর মমাঙ লৈকায় - (১,৩)
১৬) মৈস্নাম রাহুল, হাওবম মরক ঙাঙোম লৈকায় - (১,৩,৪)
১৭) য়ূম্নাম ইবোচৌবা, হাওরৈবী মখা লৈকায় - (১,৩,৪,৫)

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ২১গী ৱিন্নর*

***মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় (দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবা)***


**হৌজিক ওইরিবা কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা লম্বী চথোক-চৎশিন্দা খুদোংচাদবা কয়া লৈবনা লিটরেরি ক্যুইজ ২২গী অহানবা মনা ফংলবা মীওই অদুগী মশাগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা শেলগী মনা অসি হাপচিঞ্জরগনি।**

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২২গী পাউখুম

১) কুমজা ১৯৫৪দা অহানবা ওইনা ফোঙখিবা *‘জাৎ ওনবা’* হায়বা লাইরিকসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং কনানা ইবনো? ***:- নোবেল, লৈতান্থেম রাম সিংহ***
২) ***‘‘থমজরম্লে থৱায়গী থৱায়/পামজবদা পীথোক্লম্লে/শেমজরম্লে তুরেলগী কাওশীং/ঈচেলনুংদা শিন্নরম্লে।/অসি য়ৌনা লাইবকথীরবী/তোৰ্ব্বান ৱাংমা য়ৌজরগে।’’*** ঈশৈ শৈরেং মতেকসি কনানা ইবনো অমদি করি লাইরিক্তগী লৌথোরকপনো? ***:- বি জয়ন্তকুমার শর্ম্মা,*** লাইরিক মমিং : ***‘অদুঙৈগী সুর’ (অহানবা ফোঙবা, ওগষ্ট ২০০৮, কৎচরম্লে অরোইবা পিরাং হায়বা ঈশৈ শৈরেংদুদগী লৌথোকপা অনীশুবা অন্তরানি)***
৩) গ্যানপিথ এৱার্দ ফংলবা গুরদিয়াল সিংহগী ***‘‘মারহি দা দীভা’’*** হায়বা লাইরিকসি মীতৈলোন্দা করি হায়না থোন্দুনা কনানা হন্দোকপগে? ***:- ‘অরোইবা মৈরি’, লাইশ্রম সোমোরেন্দ্রো***
৪) ***‘‘চীংথঙখোম্বা মহারাজ গঙ্গা চৎপা’’*** হায়বসি কনানা লেংবনো? ***:- নবচন্দ্র ৱাংখৈ, হরি চরণ থৌনাপাতোন অমসুং ৱাহেংবা মাধবরাম (অহুমসিনা ১৮শুবা চহীচাগী লোইশিল্লকপা মতমদা লেংলম্বনি)***
৫) কলিকতা বিশ্ববিদ্যালয়দা ইন্টরমেদিএট আর্টসতা তম্নবা অহানবা মণিপুরী শৈরেংগী টেক্স বুক ওইখিবদু করি লাইরিকনো, কনানা ইবনো? ***:- ‘বসন্ত শৈরেং’, এ মিনকেতন সিংহ***

# মীৎ নাদবা ঙমজদে

**ৱাইরু-ৱাইরুবদা**




কোভিদ-১৯গী মতমদা অঙাং লাইরিক তম্বা চহী অনী অসি ফংলক্ত্রে। লাইরিক তম্বা হৌবা য়ারবা অঙাং কয়া লাইরিক তম্বা হৌদনা লৈরি। অঙাং কয়া এ বি সী, কোক, শম, লাই তম্বা মতম হেন্দোক্লরে। অমাঙবগী অমাঙবা ঙাক্তনি।

তঙাইফদনা ওনলাইন ক্লাস হৌনরে। মসি সুক্কান কান্নদবদি নৎত্রে। য়াম্না শাথীনা কান্নে। ঐখোয়না স্কুল, কোলেজদা তম্মীবা লাইরিক খূৎতম্বী অসি প্রাক্টিকেল ক্লাস খরা নত্তনা চোক এন্দ টোককী লাইরিক খূৎতম্বীনি। হায়বদি ওজানা ৱা খরা ঙাঙবা, ব্লেকবোর্দতা খরা ইবা অসি ঙাক্তনি। ওজানা ব্লেকবোর্দ মমাঙদা লেপ্লা নৎত্রগা চৌক্রিদা ফম্লগা পারা অমা ফাক্তোক্লগা ঙাঙবা, ইবা, এক্সপ্লেন তৌবা! মসিনি চোক এন্দ টোক হায়রিবসি। হায়রিবা মওং অসিদি স্কুল, কোলেজ অদু মহৈরোয় অদুনা শুকচৎ চৎত্রবসু ওনলাইন ক্লাস তৌদুনা তম্বা য়াবা মতৌ অমা ওইরম্লে। হৌজিক্তি অনাবা লায়েংবফাওবা ওনলাইন্দা তৌনরবা মতম অমনি। য়াম্না মায় পাক্লবনি। মোবাইল ফোনগী খূথাংদা ওজানা ৱা ঙাঙবা, তাকপা, ইবা, শক্কা-শক্কা উনবা, হায়নীংবা হায়নবা, হংনীংবা হংবা য়াবা, শক্ক-শক্কা উনবা হায়বা অসি অমত্তা খাক্তনা য়ারবনি। য়ুমদা লৈনরগা তম্লবনিনা লম্বীদা গাড়ী এক্সিদেন্ট থোক্লরোই, মী চিল্লরোই, পোল্যুসন ফ্রী ওইরনি, লিটরদা লুপা চাম্মা হেন্না পীরবা থাউ অসি সেভ তৌরনি। মহৈরোয়সু য়ুনিফোর্ম লৈবগী শেল তিংলরোই। মমা-মপাগা য়ুমদা হরাউ হরাউ লৈবা ফংনরনি, অমনা অমগী মতেং পাংনবা য়াররনি (মমা মপাগা মচাশিংগা য়ুমগী থবক ইনখাংগী মতাংদা)। মতম হেন্না ফংলনি, অঙাংদসু/মহৈরোয়শিংদসু। মসিনি ওনলাইন ক্লাসকী কান্নবা চাওখৎলকপগী মতুংইন্না। থবক কোম্বা য়াম্না হেলহল্লে।

অমরোমদা মোবাইল ফোনগী খূথাংদা অঙাংশিংনা ওনলাইন্দা লাইরিক তম্বগী মওং মতৌ অসি তারু-য়েংলুবা ঐখোয়দা য়াম্না সুম হেক মীপাইবা অমদি ফাওজনু য়াদ্রে। ওজানা রোল হঞ্জিন হঞ্জিন কৌনি অঙাংশিংনা খুম্বীরোই, ওজানা অঙাং মহৈরোয়শিং অদুদা নখোয় ৱাখল তারব্রা হায়না খঙনীংদুনা হংগনি, অঙাংশিং অদুনা ৱাখল তাইসু হায়রোই, তাদেসু হায়রোই, খুম্নিংনগুম খুম্নিংনদবগুম য়েংবদা, তাবদা য়াম্না নুংঙাইজখিদ্রে। ওজাদা থকসি-খাসি য়াওনা ৱাহং হংবা পাউখুম পীবা কা হেন্না উদে। মাবু লাইরিক তাক্লিবা ওজা অদুদা মমান্নবদৌনা ব্যবহার মচেৎ অমা য়াওদনা ৱাহং হংবা-হংবী মহৈরোয়বা, মহৈরোয়বী য়াম্না উরক্লে। লমদমসিগী অঙাংশিং অসিগী অহল লমন্দা ওজা গুরুদা কমাইনা চৎনরিবগে হায়বা অদু ওনলাইন ক্লাসতা মতিক চানা চপ চানা তরং তরং উরে। ওজানা তাক্লিবা অদু তাই খঙদে, তাদে খঙদে তূমিন লৈনি, ৱাহং অমত্তা হংলক্লোই। ওজ াশিংনা অঙাংশিংদা তান্ন-তান্নদুনা লাইরিক তাকপদৌনা তৌহনবা অঙাংশিং মশীং য়াম্না য়ামখৎলকপা উই। অফ-অফবা নোল্লুকপা অঙাংশিং কয়াগী মিংচৎ ময়েং তাহনবা ওইনা থোকই।

লুরবা পুন্সিগী ওইবা মহৈ-মশীন তমগদবা তাঙলবা ওনলাইনগী ক্লাস অসি ফাগি ফরাংদৌনা তৌবা হায়বসি মীৎ য়াম্না নাবা থবক অমনি। খঙ হৈরবা ওজাশিং অদুনা তাকপা অদু পূক্লিং চঙনা তাগেদি হায়দ্রদনা করেম কথাইনরগা ঙাঙবা, খুম্বা, তানীংবোই-তানীংদবোই তৌবা মখোয় খরনা ওনলাইন ক্লাস তৌবদা নীংবা কায়নীংঙাই ওইহল্লি।

অদুনা ইকায়খুম্নজরবা অঙাংশিংনা ওজাশিংদা মপূং ফানা মতেং পাংবীবা অমা চঙই, ওজাশিংবু পূক্লিং থৌনা পীবীবা, থৌগৎপীবা অমা চঙই। ওজাসু মীনিনা মহৈরোয়শিংগী থৌগৎ ৱাহে ফজবা লমচৎ, থৱায় য়াওবা, লোইনা পাম্লগনি। ●

# য়েৎনরিবা ময়ামসিগী মরম করিনো

**নবকুমার ওইনা**

মালেমসি হেক শেম্লকঙৈদগী ঙসি ফাওবা ঈংনা চিক্না লৈবা হায়বদু ওইরক্ত্রি। মীওইবনা পাম্লিবসি য়ারোইদবা অয়াম্বা মঙলান্নি হায়নরবসু ওইথোক্তবা হায়বসি লৈতেদুম হায়নরিবনি। ওইনবা হোৎনসি হায়বদা য়ানদবসি খৎন-চৈনবা, হাৎন-শুনবা, শা-লান তোক্লসি হায়বসিসু অমা ওইরিবনি। মসিগী মরম অমদি খৎনবা, য়েৎনবা, হাৎনবা পাম্বা নৎত্রগা হৈনবা মী য়াওবগীনি। অমনা নীংবদু অমনা য়াদবা, অমনা য়াদবদু হেক্তা তৌশিনবা, য়ানদবদু য়েৎনবদগী শা-লান হায়বদু অদুম ওইরে। মী হায়বসি লোইনমক্না ঙমদ্রিবা অমদি মী হায়বসিবু নুংশিবনি, মশানা মশাগী মনাৎপু নুংশিবা ঙমদবা হায়বনি। শা-ষণসু ৱাইনৈ, কৈসু হাৎনৈ, শাগী শাজৎ থাদোকপা ঙম্নদ্রি। মসিবু পঙবা ওইবগী নত্তে হায়বা য়াগদৌরিব্রা? খঙবা নৎত্রগা থাজবা মান্নদ্রিসিসু অপঙবা তারকপা য়াওনরিবনি। খঙদবসি পঙবনি হায়গনি।

ৱাখল্লোন মান্নদবা হায়বসি মৈহৌরোলদগী লৈরক্লবা মীওইবা খুন্নাই মনুংদা, খুন্নাই অনীগী মরক্তা নৎত্রগা খুন্নাই ময়াম অসিগী মরক্তা হিংদুনা লাক্লিবা মীওইবগী শাজৎ ওইদুনা অদুমক লৈরিবা অমনি। ৱাখল্লোন মান্নদবশিংগী মরক্তা করম্না অপূনবা পুরক্কদৌরি। মীওইবদি থাজবদু হোংদোকপা ৱাবা, হোংদোকপা য়ানীংদবা, হোংদোকহন্নবা হায়বা হৈনদবা মান্নবা ৱাখল্লোন অমদা পুরক্লবা হোৎনবদা খুরৌ থাঙ্গনবা শাজৎ অদুমক লোয়নরি। চহী লিশীং অনীগী মমাঙদগী অদুম হায়নদুনা লাকখ্রবনি, মী অমগা মী অমগা মান্নদে, মান্নদবা মখল কয়া থোক্না লৈগনি, লাইনা হায়বা ওইনা লৌনরক্লবনি। লাইনা হায়বনি অদুম চুম্লদৌবনি ঐখোয় ময়াম ৱাখল মান্নদ্রবসু য়াই হায়রবদি লাইদুমক থাজদবা তাগদৌরিবনি। হৌজিক্তি, লাইনি হায়বশিংদুনা ওইরিবা অদুনা মী ওইরবদি মীপূম খুদিংনা লাই ওইনবা হোৎনদ্রিবা করিগীনো? মীওই খরদি হোৎনদবা নত্তে হায়বসু য়াই। লাই ওইরগা কৈদৌগে হায়বনো? ৱাখল খূৎখন্দু হোংবা তঙাইফদনা চংলি। লৈবাক খরদদি লাইগী থবক য়াম্না কল্লি, লৈঙাক্কী ফম্নাইবশিংসু থৱায় য়াওশিল্লি। লৈবাক খরদনা লাইগী ৱা কাউরে, মরন্নাই ওইনখ্রে, অরিবা নাট ওইনা কুম্মৈগী শরুক ওইনখিবসু লৈরে। খ্বাইদগী খেন্নবা ৱাখল্লোন শাগৎলিবদি লাইনীংসু অমনি হায়গনি। লাইদৌনা মিংচত্তা ঙাওবা কয়া অমসু লৈহৌরি, খুদোংচাবা ফংলবনি হায়বদগী লৈঙাক পায়বশিংসু লাইদৌনা মশাগী অপাম্বনা মীয়ামগী অপাম্বা নমহৎতুনা পুবা ঙম্বা কয়া লৈবগুম উরক্লি। থাজহল্লগা মীয়াম্বু হুমদুনা পুরগে হায়বসু য়াওরক্লি, লল্লোনবগুম্না শেন্দোংদা মিংচৎ নপশিনবা ময়াম অমা মীয়াম্না উনরবনি। মালেমগী মফম কয়াদা ঙসি ইথা থাজরুদবা লুচিংলম্বশিংগী মীতম থুগাইনরক্লি। লমদম অসিদনা মিং থেৎপা পাম্বা ময়াম্না মীতম য়ুংলম্বগী চৎনবী হেনগৎলক্লি। নোংমদি মীতম থুগাইবা ঙম্বগী নুংশিত্তু মফম অসিদসু য়ৌরকপা য়ারি। লাইফম খরদি থুপচিনখিবা লৈরবনি। য়াদবা হায়বসি তৌদবগী ৱানি, থবক তৌরবদি অদুম য়াখিবা ময়ামনি। থবক তৌগদৌরিবসি ৱাখলদা লৈরবা মফমদা ওইগদৌরিবনি। ৱাখলদা লাকপা অদুসু খল্লবা নৎত্রগা খন্নরবা মতুংদা লাক্কদৌরিবনি। অমনা ঙাঙবা অমনা তাদবা, য়েৎনদুনা লৈরবদি কদায়দগী ৱা খন্নরবনি হায়গদৌরিবনো?

ঐখোয় মীওইবনা পাম্লিবসি অনৌবনি, ক্রিয়েটিভ ওইবা হায়বসি অনৌবা অমা শেম্বা হায়বনি, ফজবা হায়বসু ক্রিয়েটিভ ওইবগীনি। ক্রিয়েটিভ ওইরক্ত্রবদি অফবা হায়বদুসু মাঙখ্রগনি, থাজবা খুদিংমক ক্রিয়েটিভ ওইরগনি হায়বদি য়াদে। ক্রিয়েটিভ ওইগনি ওইরোই হায়না হায়বা অসিমক্তদা য়েৎনবা অদুম য়াওনরিবনি। ঐগী কান্নবা নৎত্রগা কান্নদবা হায়বসি ক্রিয়েটিভ ওইবগা মরী লৈনদবসু য়াই। ময়ামগী হায়বসি খনবা ঙমদ্রবদি ৱাখলগী খেন্নবদি মশানা থোক্লকই। তাইবঙপানসি খঙনবা য়েংবা হৈনবগীদমক লাইরিক তম্বদি চঙই। স্কুল, কোলেজদা ওইদবসু য়াই, লাইরিক পাদবদি য়াদে। য়েৎনবা য়াম্লিবসি লাইরিক পানদবগী ওইবসু য়ারিবনি। লাইরিক মান্নদবগীসু ওইবা য়াই। লাইনীংগী লাইরিকশিংসিবু লাইনীং অমগীনি খল্লগা পারিবমখৈ লাইনীং অতৈগা য়েৎনবা থোকপসু য়াই। লাইনীং ময়ামগী লাইরিকশিংসি মীওইবগীনি খল্লবা পারবা মতমদদি খেন্নবগী ৱাথোক লৈরক্তবা য়ারিবনি। ৱাথোক য়াম্লবদি লাইরিক পানদবগীনি হায়বসু লৈরি। মরমদি লাইব্রেরি য়াম্না লৈতে; স্কুল, কোলেজ তম্বগী পারিবসিনা য়াম্মী হায়বসি উনরিবমখৈ লাইরিক পানদ্রি হায়বনি। শৈরেং-ৱারেং ময়াম পারগা লাইরিক পারবনি হায়বদি য়াদ্রি। ইশানা লৈরিবা তাইবঙপানসি খঙবা ঙমদ্রিবা, ইশানা থাজবা লাই লৈখায় তানা খঙবা ঙমদ্রিবা ঐবু করম তৌনা লাইরিক পারবনি হায়গদৌরি। ঐ হায়বসিমক য়েৎননবগী মচাক অমা ওইরি। ঐগী খল্লগা পাবদগী তাইবঙপানবগী খল্লগা পাবা অমসু তঙাইফদনা চঙলি। ইশাগী, ঐগী হায়না পারিবা ঐনা তাইবংগী করি উবা ফংগদৌরিবা। অনৌবা তাইবঙ অমা শেম্বদা করি থৌদাং লৌবা ঙমগদৌরিবগে? অনৌবা নাট, অনৌবা মী অদুমক শেমগৎপা পাম্লিবা ঐখোয়সু অনৌবা মীনি, করিগী অরিবা নাট অমদা ঙাওগদৌরিবনো হায়বা থোক্লক্লবনি। ইপা ইপুনা নাট অমা শেম্লম্বা ঙম্লগা ঐখোয়না অনৌবা নাট শেম্বা ঙম্লোইদৌরিব্রা? শেম্লিবা নাট খুদিং ক্রিয়েটিভ ওইবা তারকই। নাটনি হায়দুনা থাঙগী জগোয় মশক হোংবা তারকই, করিবু কান্নরি হায়বগী ৱাহং লাকই। নাটনি হায়দুনা ষণ হুরানবগী ষন্নিং হনবগুম্না অঙাং ফারগা শেল তানবা শৌগৎপা হৌনরিব্রা? মী অনৌবা লাকখিনি, নাট অনৌ-অনৌবা লাকখিগনি, নাট হোংবা ঙমদবশিং অনৌবা মীরোলদা চন্নরক্তবা য়ারি।

হোংকোংগুম্না, ম্যান্মারগুম্না লমদমসিগী মীয়াম্না পুনবা ঙমদবগুম উহল্লি। ৱাফম খুদিং কাঙলূপ মরক্তা য়েৎনবগী ৱানা অয়াম্বা ওইনা উরি। থবক পায়রিবশিংনা চিন কাংজৈদা অফবা ওইনা লৌনরি, ফম্মিন্নবা ৱাৎলি, য়েৎনরি হায়রিবনি। য়াওগী ষণলূপ পুবা কৈনা ওইবা য়ারোই, ষণনসু ওইবা ঙম্লোই। ইরোই ষণলূপ পুবদুগী মতুংদা ইরোই ময়াম্না লেপত্রবদা ষণলূপ পুরুবা ইরোইদু কৈনা চাখ্রিবনি। ৱাখলদা য়েৎনখিব্রা, খঙদবগীরা, পাংদবা-কিবগীরা হায়বা মীওইবা কাঙলূপশিংদসু অদুমক উনরিবনি। লিদর লৈতে হায়বা য়ারোই, মীয়ামদু য়াওদনা লিদরনা থাবল চোংবা য়াবা নত্তে, মীয়ামদু থোক্লকপদা লুচিংবদি মদোম য়াওরক্কনি। লিদর ঙায়গদৌবা নত্তে, হৌগৎত্রিবদি মীয়াম অসিনি, য়েৎনরিবসু মীয়াম অসিনি। মীয়াম্না য়েৎনরক্ত্রবা মতমদদি লুচিংবশিংসু য়েৎনবা লৈররোই। মীয়াম হায়বদুদি কনা কনানা ওইবা তারকই, ফম্লগা খেৎঙাঙ ঙাঙবা ঐনা মীয়ামগী মীহুৎ ওইবা য়াখিরোই। মীয়াম হায়রিবসিগী অপূনবা ৱাখল লৌশিংগী থাক হায়বা অমা লৈগনি। মদুসু মীওই অমমমগী লৌশিং অদুদা য়ূম্ফম ওইরিবনি। হীরম অসিদদি কাঙলূপ অমগা কাঙলূপ অমগা খেন্নবসু উবা ফংনরিবনি। উনা উনা খঙবা ঙমদবসু লৈরিবনি। পুৱারীদা য়েৎনবা লৈতে, উবা ঙমদবা য়াওবগীনি, পাদবগীনি, নৈনদবগীনি। মীওই খরনা লান্না উবা, লান্না কৌশিনবা য়াওবদুগী ৱাতনি। মদুদনি মী অমগা মী অমগা খেন্নরক্লিবা। লাইনীংদা য়ূম্ফম ওইবা য়াওরক্লবদি লাইনীং খুদিংমক লম্বীদা থোক্লকপা থিংবা চৎনরক্লবনি।

মীয়ামগা খেন্নবা পাম্বশিংনা মীয়ামসি খেন্ননবা শিল্লি। খেন্নবা পামদবশিংনা খেন্নবা থমদনবা লৈঙাক কাঙলোন ফাওবা থিরি, পুথোক্লি। মদুগী মরক্তা খেন্নবা পাম্বশিংনা খেন্ননবা শেমগৎপা লেপ্পা নত্তে। হুরানবা, শেল হাৎপা, পুকচেল শেংদনা শেল চারম্বা, পাম্বী শেমগৎনবা হেন্না মরু ওইনা লৌনরকপা ময়ামসি খেন্নবা শিল্লিবনি। খেন্নহল্লবদি য়েৎনরক্লগনি। লৈঙাক শেম্নবা য়াওরিবশিংনা মশামক মীয়ামদগী তোঙান্না খঞ্জবসু য়াওরম্বা য়ারি। মীয়াম্নসু লৈঙাক শেম্বা য়াওরিবশিংবু মী মরক্তগী তোঙানবা, হায়রিবমখৈ পীবা ঙম্বা, ভোট পীবদা শেল লৌবা কায়দে খনবদগী য়েৎননবগী মরম কয়া চাউনা শেমগৎলক্লি। মীয়াম মরক্তগী অফবা মী খনবা ওইদ্রি।

মরমশিং অসিনা য়েৎনদনবা শিনবা তারবদি লৈঙাক পায়বশিংনা অয়ূক, নুংথিল, নুমিদাং মীয়ামসি য়েৎনবগী চাং হস্থহনবা খনবা অমা চঙলি। লাই নীংবনি হায়বশিংনসু য়েৎনবগী ৱাখল থাদোকপা ঙম্নবা হোৎনবা তারকই। পূম্নমকসিগী মথক্তা মীয়াম অসিনা য়েৎনবা থোক্তনবা লৌশিং তানশিন্নবা হোৎনফম থোকই। মদু ঙম্নবা হোৎনবদা মীওই খরদা ইস্থোকপা লানগনি, মীপূম খুদিংমক্কী থৌদাংনি, কাংলোনদি ময়াম লৈরে শীজিন্নবা ৱাৎপগী ৱাথোক লৈরিবনি। ●